# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-10-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৮-১০-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

**পুলিস (এল)ঃ** মণিপুর পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলূপ কে.ৱাই.কে এল, কে.সি.পি নোয়োন গ্রুপ অমসুং কে.সি.পি পিপলস ৱার গ্রুপকী মীওইশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখোয়দগী অতৈ পোৎলম কয়াশু ফাগৎপা ঙমখ্রে। পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নরাল কোঞ্জিল এরিয়াদগী ঙরাং রাজ্য পুলিসনা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.ৱাই.কে.এল অমসুং কে.সি.পি নোয়োন গ্রুপকী মীওই ২ ফাগৎপা ঙমখি। মীওইশিং অদু মীচম মীয়াম অমসুং দুকানশিংদগী নম্দুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইশিংনি। মখোয়দগী চক্কা মরি পানবা গারি অমা মোবাইল হেন্দসেট ৫, আধার কার্দ ২, ৱালেট অনি অমসুং শেল ওইনা লূপা ১৭০ ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈবুল চিংমৈরোং ময়াই লৈকাইদা রাজ্য পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ কে.সি.পি পিপলস ৱার গ্রুপগী মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অদুদগী মোবাইল হেন্দসেট অনি অমসুং শিম কার্দ ৩ ফাগৎপা ঙমখি।

**তামেংলোং (এল)ঃ** জেমে ফুরুপশিংনা খুন্দাবা অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী মনুংচন্না লৈবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ বাউন্দরিশিংদা লম অমসুং রিসোর্সশিং ঙাকশেন্দুনা থমবগীদমক অকনবা ফীরেপ লৌরে হায়রি। ফীরেপ অসি হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা সেনাপতি জিলাগী মকুইলোংদি খুলদা

পাঙথোকখিবা মীফম অমনা লৌখিবনি। মীফম অদু জেমে কাউন্সিল নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া (অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দ) গী অনিশুবা এগজ্কিতিভ মীফম ওইখি।

**তামৈ (এল)ঃ** তামেংলোং জিলাগী তামৈদা লৈবা হমাই ইংলিস হাইস্কুলগী নুমিৎ নিনি চুপা চথুরকপা গোল্ডন জুবিলি থৌরম ঙরাং লোইশিনখ্রে। থৌরম অসিদা ৱাতর রিসোর্সচ মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইসু শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংগী সাইন্স এগজিবিসন অমসুং নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

**কামজোং (এল)ঃ** কামজোং জিলাগী ফাইকো খুলদা অসাম রাইফলসনা শিন দুনা য়ুনিতি কপ ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৱিনর কামজোং য়ুনাইতেদ এফ.সি না ওইখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোং অমসুং মাতা খুলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা মীওই লিশিং ১৪৮০ রোম লায়য়েংখি, লেমা হিদাক লাংথকসু লায়য়েংখি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং স্পেনগী মহাক্কা ফম মান্নবা পেদ্রো সেনচেসকা পুন্না বদোদারাদা লৈবা তাতা ইয়রক্রাফ কমপ্লেক্সতা সি-২৯৫ মিলিটরি ইয়রক্রাফ শান্নবা ঙসি শঙ্গারগনি। মসি মিলিটরি ইয়রক্রাফকী ভারতকী অহানবা প্রাইভেট সেক্তরগী ফাইনেল এশেমব্লি লাইননি।

লূচিংবা অনিনা বদোদারাদা হেক থুংলবগা রোদ সো পাঙথোক্কনি অমসুং অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবুগী মীফম অমসু পাঙথোক্কনি। নিংশিংবা য়াই ২০২২ গী ওক্টোবরদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফাইনেল এশেমব্লি লাইন অসি যাত্রা হুনখিবনি। প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা সী-২৯৫ মিলিটরি ইয়রক্রাফ পুন্না ৫৬ পুথোক্কদবগী মনুংদা ৪০ দি বদোদারাগী তাতা এদভান্স সিস্তেম লিমিটেটনা

শাগনি। লেমহৌরিবা ১৬ অদুনা স্পেনদা বেজ তৌবা এভিয়েসন জাইন্ট ইয়রবসনা পুথোক্কনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা বিদিও কনফরেন্সিংগী খুৎথাংদা বুজ নলিয়া রেল লাইন জাতিগী মীয়ামদা খুৎশিন্নগনি। কিলোমিতর ১০১ হেন্না শাংবা রেল লাইন অসি লূপা কোতি লিশিং ১,১০০ রোম চংনা শাখিবনি। রেল লম্বী অসিনা গুজরাথকী কচ জিলাদা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা মীয়ামগী শেল থুমগী ফীভমদসু হেন্না ফগৎহনলগনি।

**দাইলেক্সিয়া ঃ** দাইলেক্সিয়াগী মতাংদা পাকশন্না খঙহন্নবা পায়খৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা রাষ্ট্রপতি ভাবন, পার্লিয়ামেন্ট ইন্দিয়া গেট অমসুং সরকারগী তোঙান তোঙানবা ওফিসশিংদা ঙরাং রেদ লাইন থানখি। চহী খুদিংগী ওক্টোবর থা অসি মালেমগী ওইনা দাইলেক্সিয়া এব্ব্যেরনেশ মন্ট হায়না পাঙথোক্লি। কেম্পেইন অসি লায়না অসিগী মতাংদা পাকশন্না খঙহন্নবা অমসুং তাথি তাওইনা তৌবীদনবা পাঙথোকপনি।

**জয়সঙ্কর ঃ** মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস.জয়সঙ্করনা হায়রি- মুম্বাই পুলিস অসি টেরোরিজম থেংনবদা মালেমগী ওইনা মপাঙ্গল কনবা ফোর্স অমা ওইরি। পাউমীশিংগা উনবদা ডা.জয়সঙ্করনা হায়-ভারতনা টেরোরিজম থেংননবা চপচাবা ৱারেপ লৌরে। মহাকা হায়-ঐখোয় পুমমকা টেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্পুনা লৈবাক অসিবু ইং চিকপা শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহনসি। মন্ত্রিনা হায়-ভারত অমসুং চাইনানা লদাখকী লাইন ওফ এগচ্যুল কন্ট্রোলদা অমুক হন্না পেট্রোল্লিং চৎপা হৌরগনি। মালেমগী ওইবা উদ্যোগকী লমদা ভারতনা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙম্লে। মালেমগী লূচিংবশিংনা ভারত্তা থাজবা থল্লি। মসিনা ভারত্তা উদ্যোগকী লমদা শেল থাদনিংবগী অপাম্বা লৈরকপনি। মহাকা হায়-রাজ্য অমসুং কেন্দ্র সরকারনা পুন্না থবক তৌমিন্নবদগী উদ্যোগকী লমদা ভারতনা

মাংজিল থাবা ঙম্বনি।

**তেনিশ ঃ** ভারতকী জ়রা য়াসসৱিনি ঘোরপরে অমসুং ক্রিত্বিকা রোইনা ইতলিদা পাঙথোকপা দল্লিয়ু টি টি ফিদর কেগলিয়ারিগী নুপীগী দবলস তাইতল লৌরে। ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ভারতকী জ়রানা সাউট কোরিয়াগী জ়রাবু পাঞ্জল ৩-১ দা মাইথিবা পীরমখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

**থাগৎচরি-সুনি**

মনিপুরদা শান্তি থমবা সেন্তরনা নাকল অনি ৱারি শান্নদুনা হোৎনরিঙৈ এত্তেক্ট চত্থরকপা অসি এক্সন লৌখৎকদবনি। বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট মালেমগী থাক্তা শেমগৎপা হৌখ্রে, ফাউন্দেসন লোইশিল্লক্লে হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

এম.সী.এস.সী.সী মেন এগজাম ২০১৬ ককথৎলবা মতুংদা পাঙথোকখিবা রি-এগজাম হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা অমুক হন্না খুদি থিগদৌরিব্রা হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউ পাউচে গী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা ঙাইহাক লৈতনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মিতৈদা লান্দারক্লিবা অসিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়বা পাউ, পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইনা তৌদুনা ফোঙলি।

সনালৈবাক পাউচেদা কনক্রিট রোদ হঞ্জিন্নবা য়াওবদগী লম্বী শেম্বগী প্রোজেক্ট ৫৭ ককপীনবা ষ্টেট লৈঙাকা চে ইখ্রে। চীং অমসুং তমগী লম্বী শেম্বগী প্রোজেক্ট ৯২ পায়খৎপগী অয়াবা পীনবা সেন্তরদা হায়জখ্রে হায়বা পাড অমসুং সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

ইচেল এক্সপ্রেসতা বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট মালেমগী থাক্তা শেমগৎপা হৌখ্রে, ফাউন্দেসন লোইশিল্লক্লে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মনিপুরদা চাইল্ড রাইটকী তোঙানবা পোলিসি শেল্লে, লান অসিনা অঙাং লিশিং ২৫ গী মথক্তা চৈথেং ফংলি হায়বা পাউ অমসু মণিপুর নিউজ পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেস পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাড ওইনা ফোঙলি।

শেরৌ কোনোক থেংগ্রা লৈকাই হায়না মিংথোন্দুনা যুম শানবা থবক হৌখ্রে। ফেসিলিতি পুমমক লৈবা মোর্দন ভিলেজ ওইহনগনি: রঞ্জিট হায়বা পাউ অমসুং মসিগা মান্নবা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন অমসুং ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙলি।

বোম থল্লম্বগী মোরে লম্বী থিংলূরে, পুং ৪৮ গী মনুং শেংদোরক্ত্রবদি খাঙবোক্তা খূৎলাই পায়বশিং বোইকোট তৌনবা ফিরেপ লৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু পোকফম পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

নোর্থ হস্টনা ভারতকী চাউখৎপগী লম্বীনি হায়না ভাইজ প্রসিদেন্ট জগদিপ ধনকরনা ফোঙদোকখিবা ৰাফম পীপলস ক্রোনিকল পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

চুরাচান্দপুরদগী খুৎশু খুৎলাই কয়া ফাগৎখিবগী পাউ মোর্নিং বেল পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

আর্মিনা শিন্দুনা ৭৮ শুবা ইনফেন্ত্রি ডে পাঙথোকখিবগী পাউসু মণিপুর মেল পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

জেনি কম্যুনিটিনা মখোয়গী লম অমসুং রিসোর্সশিং কন্নবা অকনবা ফীরেপ লৌরে হায়বা পাউ অমসুং রোংমৈ বেপতিষ্ট চর্চসেস কাউন্সিলগী মখাদা লৈবা চর্চশিংনা ৩৯ শুবা য়ুথ ডে পাঙথোকখিবগী পাউ গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং তাইমস পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা তোবেকো ফ্রি ইদ্যুকেসনেল ইন্সটিটুাসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবগী পাউ অমসু হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--সুনি--**